# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস




Saturday, April 03, 2021, Imphal

Page 11


স্বিটজরলেন্দ লৈঙাক্লা নেসনল দে পাঙথোক্লিবা নুমীৎ অদুবু অথুবা মতমদা মালেমগী ওইনা টেন্নিস মশান্নদা মমিং লৈরবা লম্বা তৌনবদা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা অৱাবা ওইরিবা শান্নরোয় অসিগী মপোক নুমীৎতা ওন্থোক্লগনি হায়না পানরিবা রোজর ফেদরর

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট কেপ্টেন ওইরম্বা অমদি বেটিংদা লেজেন্দ ওইনা খঙনরবা অদুগা হৌজিক-হৌজিক্লা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী হান্না হোম আইসোলেসন তৌরম্লবা মতুং দোক্তরশিংগী এদভাইসকী মতুংইন্না হোস্পিটেলাইজ তৌরিবা সচিন তেন্দুলকর

## এম এস ধোনি অমসুং মিথালি রাজনা ক্রিকেটর ওফ দি দিকেদকী মনা ফংখ্রে




ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): স্পোর্টস ষ্টার মেগাজিননা পীবা এসেস এৱার্দকী মনুং চন্না ক্রিকেট মশান্নগীদা হান্না কেপ্টেন ওইরম্বা মেহেন্দ্রে সিংহ ধোনি অমসুং নুপীগীদা মিথালি রাজবু ক্রিকেটর ওফ দি দিকেদকী মনা পীখ্রে।

কুমজা ২০১১দা ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপতা স্রি লঙ্কাগা ফাইনেল শান্নবদা ধোনিনা সিক্স য়েদুনা মায় পাকহনখিবা তাঞ্জা অদু মালেমগী স্পোর্টিং মোমেন্টশিংগী মনুংদা মীয়াম্না নীংশিংদুনা লৈরবা অমা ওইখি। মহাক্কী লুচিং মখাদা কুমজা ২০১৩দা ইন্দিয়ানা আই সী সী চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী টাইটল লৌখি। মহাক্লা ইন্টরনেসনল ক্রিকেটতা অহানবা অমদি অমত্তা ঙাইরবা কেপ্টেন অমা ওইনা আই সী সীগী ট্রোফি অহুম্মক লৌবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ২০০৭কী টাইটল অদুসু মহাক্লা কেপ্টেন ওইরগা ইন্দিয়ানা ফংখিবনি।

ধোনিনা কেপ্টেন অমা ওইনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেটতা মেটচ ৩৩২ শান্নদুনা খ্বাইদগী য়াম্বগী রেকোর্দ থম্বা ঙম্লি। মদুগী মনুংদা ৱান দে ইন্টরনেসনল ২০০, টি-২০ মেটচ ৭২ অমসুং টেষ্ট মেটচ ৬০ কেপ্টেন ওইনা শান্নবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেটতা লুচিংবী অমা ওইরিবী মিথালি রাজনা চহী ২০ লোম ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেটতা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। মহাক্লা মশাগী চহী ১৬ শুরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নবা হৌরকখি। হন্দক্তা সাউথ অফ্রিকাগা শান্নবা সেরিজদা ও দি আইগী ওইনা রন ৭,০০০ লান্থোকপা ঙম্বা অহানবা নুপী ক্রিকেটর ওইরি। লোয়ননা ইংলেন্দগী চার্লোট এদৱার্দসকী মতুংদা ইন্টরনেসনল রন লৌবদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবনি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্লা ও দি আই ২১৪, টেষ্ট মেটচ ১০ অমসুং টি-২০ মেটচ ৮০ শান্নবা ঙম্লি।

## হোৎনবা কনবা হায়বসিনা অমত্তা ঙাইরবা পাউখুমনি, শান্নবদা মায় পাকপা য়াই হায়না কোমথোকপা য়াদে : কোচ ষ্টিমেক

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী সিনিয়র ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইরিবা ক্রোএসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা ফোঙদোকখিবদা, হোৎনবা কনবা হায়বসিনা অমত্তা ঙাইরবা পাউখুমনি। শান্নবদা মায় পাকপা য়াই হায়না কোমথোকপা য়াদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্লা মমিং লৈরবা পাউচে অমগা ৱারী শানবদা ফোঙদোকখিবনি। হন্দক্তা য়ু এ ঈদা ফ্রেন্দলি মেটচ অনী শান্নবদা অহানবা মেটচতা ওমানগা পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রবা মতুং য়ু এ ঈগা শান্নবদনা পাঞ্জল ৬-০দা থোইখিবা অদু য়াম্না খেন্নবা অমা লৈবগী মতাংদা শেংদোকখি। মহাক্কী ৱাফমদা ফ্রেন্দলি মেটচ ওইবা মরম্না ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওরিবা চহী নৌরিবা ইন্টরনেসনল এক্সপোজর ফংদ্রিবা শান্নরোয়শিং অদুবু মখোয়গী লম্বাশিং অদুগা শান্নবগী মহাউ অদু পীবনি।



হন্দক্কী ফ্রেন্দলি মেটচ অদুনা ইনিদয়াদগী থাক হেন্না ৱাংবা টিমশিংগা শান্নবদা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিং অসি কদায় ফাওবা ষ্টেন্দর্দ য়ৌরবগে হায়বদু য়েংবনি। ওমানগা শান্নখিবা অদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী কম্পিটিটিভ ওইবগী ফীভম অদু খরা নেমখি। অদুবু য়ু এ ঈগা শান্নবদদি লম্বা য়াম্না কন্না তৌরকপা মরম্না মখোয়গী ষ্টেন্দর্দ অদুগা চাংদম্নবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা তুংইনবা ঙমদবনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী হৌজিক লৈরিবা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিং অসিগী মরক্তা টেলেন্ট লৈবা কয়া অমা য়াওরি। মখোয়বু মপূং ফাবা টিম অমগী শান্নরোয় অমা ওইহন্নবগীদমক্তা মতম খরা চঙখিগনি। মখোয়দা ইন্দিয়াগী ফুটবোল মেনেজমেন্টনা থাজবা থম্লি। মখোয়দগী হেন্না ফবা লৈত্রে। মখোয়দা খূদোংচাবা পীদুনা এক্সপরিয়েন্স তানবগী হৈনবী অদু থমগদবনি। মায়থীবা নংবা হায়বসিদি মায় পাকপগী লম্প্বেলদা শোয়দনা থেংনগদবা অমনি।

ইন্দিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় কয়া অমা মশা শোকপা, অনাবা লৈবা, নৎত্রগা ফোর্ম তারক্তবা মরম্না নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংদনা হেন্না দিপেন্দ তৌরকপনি। ব্রেন্দন ফর্নান্দেজ, অব্দুল সলাম, রাহুল ভেকে, সেরিটোন ফর্নান্দেজ, অসিশ রাই, উদান্তা অমসুং সুনিল ছেত্রিদা হৌজিক-হৌজিকমক্কী ওইনা দিপেন্দ তৌবা য়াদ্রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী নেসনল টিম অসিদা হৌজিক্কী ওইনা শান্নরোয় ৩০দগীনা ৩৫ ফাওবা মখোয় মশেল লম্বা তৌনরিবনি। পোজিসন অমগীদমক্তা ক্বালিটি মান্নবা শান্নরোয় ২/৩ লৈগদবনি। মসিনা তুংদা শান্নরোয় অমা শোকপা তারবসু মহাক্লা হৈথোই-শিংথোইবা মান্নবা অমদা মহুৎ শিনবগী খূদোংচাবা পীগদবনি।

ইন্দিয়াগী নেসনল টিম খনবগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা শান্নরোয়শিং অদুনা লেপ্তুনা মখোয়-মখোয়না শান্নরিবা ক্লবশিং অদুদা ফজনা শান্নগদবনি। লোয়ননা মায়োক্ল গদৌরিবা টিম অদুগা শান্নরকপা মতমদা অনৌবা গেম প্লান অমা লৌশিনবদা পাঙ্গল লৈনা শান্নবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইগদবনি। মহাক্লা উদান্তাগী খূদম পীরদুনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মহাক পাঙ্গল লৈবা লমজেল য়াঙবা অমদি টিম মেনেজমেন্টনা থাজবা থম্বা ঙম্বা শান্নরোয়নি। অদুবু হৌখিবা সিজনদা মহাক মশামক্কী মায়কৈদগী অমদি ক্লবকী থাক্তা ফোর্ম তাবা হন্থখি। মরম অদুনা মহাক্লা শান্নরিবা পোজিসন অদুদা অতোপ্পা অনৌবা শান্নরোয়না মহুৎ শিন্দুনা উদান্তানা পীরম্বা পর্ফোর্মেন্স অদু য়ৌব্রা য়েংগদৌরিবনি। হৌজিক লৈরিবা শান্নরোয় ৩৪দগীনা ৩৫ ফাওবগী মনুং অসিদগী শান্নরোয় ২৩গী ওইবা ফাইনেল লিষ্ট অমা শেমগদৌরিবনি। দুবাইদা চৎত্রিঙৈদা শান্নরোয় ১৮/১৯ রোমদমক লৈরম্বনি। অদুবু দুবাইগী গেম অনী শান্নরুরবা মতুং অমসুং নুমীৎ ১৫ নি লৈমিন্নরবা মতুং অফবা শান্নরোয় খরা হাপচিনবা য়াবগী খূদোংচাবসু লৈরে। হোৎনবা লেপ্তুবা অমদি মহাক্কী মশান্না অদুগী চাং হন্থহন্দবা অসিনা খ্বাইদগী অফবা পাউখুমনি হায়খি।

## দুবাই পেরা বেদমিন্টন ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোয় কয়া নোকআউট ষ্টেজ য়ৌখ্রে

দুবাই, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): দুবাইদা লৈবা সবাব অল অহলি ক্লবতা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা শৈখ হমদন বিন রসিদ অল মাক্তুম দুবাই পেরা বেদমিন্টন ইন্টরনেসনল ২০২১দা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা প্রমোদ ভগট অমসুং মনাশি জোসি য়াওনা অতোপ্পা শান্নরোয় কয়া অমসু নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রে।



ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা প্রমোদ ভগটনা ফোঙদোকখিবদা, সিঙ্গলসতা গোল্ড মেদলদগী তাবা পামদে। লোয়ননা মনোজ সরকারগা প্যের ওইদুনা এস এল ৩- এস এল ৪গী কেটগোরিদসু চেম্পিয়ন ওইবা পাম্লি। ভগটনা নুপাগী সিঙ্গলসকী এস এল-৩ কেটগোরিদা অহুমশুবা রাউন্দদা মালদিভসকী অব্দুল লটিভ মহমদপু ২১-১০, ২১-৯দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা হুকুন রুকেন্দিগা লম্বা তৌনগনি।

নুপীগীদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী মনাশি জোসিনা নুপীগী সিঙ্গলসকী এস এল-৩ গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা টর্কিগী শান্নরোয় হালিম য়িলদিজপু ২১-১৩, ১৩-২১, ২১-১৭তা থোইবা ঙমখি। মনাশিনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা য়ুক্রেনগী শান্নরোয় ওক্সানা কোজিনাবু অনীশুবা রাউন্দদা গেম ২-১দা থোইবা ঙমখিবনি।

মনাশিনা ফোঙদোরকপদা, টর্কিগী হালিমগা শান্নবা অদু য়াম্না টফ ওইবা মেটচ অমা ওইখি। হালিমগী মায়কৈদগী ফজবা শোট কয়া অমা তৌরকখি। লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগীসু অশোয়বা খরা লৈখ্রবসু লোইশিল্লকপদদি মহাক্লা মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পারুল পরমরগা মনাশিগনা এস এল-৩ কেটগোরিগীদা ফাইনেল শান্নবা য়ানা লৈরি। নুপাগী সিঙ্গলসকী এস ঐচ-৩গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় নিটেশ কুমারনা ইন্দোনেসিয়াগী হুকুন রুকেন্দিবু ২১-১০, ২১-১৩দা থোইবা ঙমখি।

## পাকিষ্টাননা সাউথ অফ্রিকাগা শান্নবা ৱান দে মেটচ অহুমগী সেরিজগী অহানবা মেটচ ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

সেঞ্চুরিওন, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্বু ওইরগা পাকিষ্টানগা শান্নবা ৱান দে মেটচ অহুমগী সেরিজগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচ অদু পাকিষ্টাননা ৱিকেট ৩দা থোইবা ঙমখ্রে।



সেঞ্চুরিওন সিটিদা লৈবা সুপর স্পোর্টস পার্কতা পাকিষ্টাননা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০গী মনুংদা বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ২৭৩ লৌবা ঙমখি। সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী মারক্রম অমসুং দিকোকনা ইন্নিংস হৌদোকখি। মখোয়গী অনীগী পার্টনরশিপ রন ৩৪দা তেনশিনখি। দিকোক রন ২০ লৌরম্লগা আউট ওইখি। ইকান কান্নদনা মারক্রমসু রন ১৯দা আউট ওইদুনা কেপ্টেন বাভুমা অমসুং ভান দর দুসেন শান্নবা চঙলকখি। কেপ্টেন বাভুমা শুপ্নগী রন ১দা আউট ওইখি। মহাকপু মহুৎ শিল্লকখিবা ক্লাসেনসু রন ১দা আউট ওইখিবদগী ভান দর দুসেন অমসুং মিল্লরনা ৫শুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ১১৬ হাপচিনখি। মিল্লর রন ৫০দা আউট ওইখি। মখা তারকপা ফেলু ৱাইয়ো রন ২৯দা আউট ওইখি। অদুবু ভান দর দুসেননা আউট ওইদনা বোল ১৩৪দা রন ১২৩ লৌদুনা লৈখি।

পাকিষ্টাননা মেটচ মায় পাক্লনবা রন ২৭৪গী টার্গেট অদু লৌননবা হোৎনরকপদা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা ওভর ৫০দা ফংদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৩দা থোইখি। ওপনর ইমাম উল হককী রন ৭০, কেপ্টেন বাবর অজমগী রন ১০৩, মহমদ রিজৱানগী রন ৪০ অমসুং সদব খানগী রন ৩৩না মপূং ওইরগা মেটচ অদু মখোয়না সাউথ অফ্রিকাবু থোইবা ঙমখিবনি।

অনীশুবা ৱান দে মেটচ এপ্রিল ৪দা জোহেনবর্গতা লৈবা দি ৱান্দরর্স ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

## ইন্দিয়াগী স্বিমর কুশাগ্রা রাৱটনা মিটর ৮০০গী ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসনগীদমক অকনবা মওংদা হোৎনদুনা লৈরি


ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফ্রীষ্টাইল স্বিমর কুশাগ্রা রাৱটনা জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়াবা ঙম্নবগীদমক্তা মিটর ৮০০গী 'এ' ক্বালিফিকেসন টাইম অদু য়ৌননবা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

ইন্দিয়াগী স্বিমরশিংগী মনুংদা মহাক্লা অহানবা ওইনা মিটর ৪০০, মিটর ৮০০ অমসুং মিটর ১,৫০০গী ফ্রীষ্টাইল ইভেন্টতা ওলিম্পিক্কী 'বি' ষ্টেন্দর্দ টাইমগী য়ৌবা ঙম্বা ওইরিবনি। মশাগী চহী ২১ শুরবা রাৱটনা হৌখিবা থাদা য়ু এস এগী কালিফোর্নিয়াগী সান্তা মোনিকাদা কুমজা ২০১৬ য়ু এস এ ওলিম্পিক স্বিমিং টিমগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইখিবা দেবিদ কেলসৈমরগী মখাদা মহাক্কী মঙলান অদু মঙফাওননবা ট্রেনিং চত্থবা হৌখি। মথংগী চয়োলদা কুশাগ্রা রাৱটনা য়ু এস এদা পাঙথোক্কদবা মিসন নাদাদোর্স কম্পিটিসনদা মিটর ৮০০গী ফ্রীষ্টাইলদা শরুক য়াগদৌরি। মদুগী মতুং অনীশুবা কম্পিটিসন অদুনা মে থাদা পাঙথোক্কদৌরি।



মিটর ৮০০গী ফ্রীষ্টাইলগী ওইনা ওলিম্পিককী 'এ' ক্বালিফিকেসন মতম অদু মিনট ৭:৫৪.৩১নি। অদুগা রাৱটনা 'বি' ক্বালিফিকেসনগী ওইনা ক্বালিফাই ওইখিবা অদু মিনট ৮:০১.৭১দনি। মহাক্কী মতম অদুগা 'এ' ক্বালিফিকেসনগী মতম অসি খরা নকশিন্নবা মরম্না মিটর ৮০০দা হেন্না মীৎয়েং চঙশিল্লি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী অবিট পাগেসু য়ু এস এদা ট্রেনিং চত্থদুনা লৈরি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 68

**GM Rainer Buhmann (2644) - GM Alexander Donchenko (2628)**

**Hobbits Invitational 2021 Lichess, 2021.02.25**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.Nf3 d5 | 3.e3 c5 | 4.c4 cxd4 |
| 5.exd4 Bg4 | 6.Nc3 Nc6 | 7.cxd5 Nxd5 | 8.Qb3 Bxf3 |
| 9.gxf3 Nb6 | 10.Be3 e6 | 11.O-O-O Be7 | 12.Kb1 O-O |
| 13.f4 Nd5 | 14.Nxd5 exd5 | 15.Bg2 Bf6 | 16.Qxd5 Qc7 |
| 17.Qc5 Qd7 | 18.d5 Ne7 | 19.d6 Nc6 | 20.h4 Rac8 |
| 21.Bh3 Qd8 | 22.Bxc8 Qxc8 | 23.d7 Qc7 | 24.h5 Rd8 |
| 25.Qd6 Qa5 | 26.Rhg1 Nb4 | 27.a3... | |

**QUESTION :**

**Black wins in 4 moves**

**Puzzle 67 Ans. :**

**29.**Na5 Kg7 Mating net **30.**Bxd5 e5 Mating net **31.**Nxc4 h6#


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021
Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi
1ST POSITION 2020
It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam
TOPPERS of 2020
9TH POSITION NOVEENA KSH D/o. Sarvodayachand Nirmalabas
10TH POSITION CHALTAN Y. S/o. Y. Shantikumar St. Joseph
15TH POSITION TH. JEET S/o. Th. Rashi St. Joseph
19TH POSITION DHANTHOI S. D/o. S. Homeshor Nirmalabas
19TH POSITION MARY L. D/o. Dr. John P. Little Flower
25TH POSITION H. NANDIBALA D/o. H. Nandalal Nirmalabas
25TH POSITION HENRY O S/o. O. Kumud St. Joseph

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Exam - Time 1p.m. to 4 p.m. | Date / Sub: | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342
HL-B/6807/23/2-25/3
HL-B/6869/23/3-23/5 (alt)

ADVANCED COACHING INSTITUTE
FOUNDATION COURSE FOR VI TO XII 2021
OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE AND COHSEM EXAM
COUNT IF YOU CAN ...................
ARTS
3th Post '20 PH. FIROJH, 7TH Post '20 TH. OBINKUMAR, 8th Post.'20 N. PARITON, 8th Post.'20 N. PARIHAN, 10th Post.'20 S. SANATHOI, 5th Post '19 SHARMELI, 5TH Post '19 H. BERON, 8th Post. '19 LINTHOINGAMBI, 10th Post. '19 L. BRINDASHI, 19TH Post '20 ELIA NEPRAM, 19TH Post'20 R.K. NEVITA, 2th Post'19 ASEM SOPHIA, 7th Post'19 W. NINGTHEM
SCIENCE
4TH Post '19 ROBINSON, 6TH Post '19 SHAH MINHAZ, 8th Post.'19 ANJU ANAND, 9th Post.'19 THOUNGAMBA, 16th Post.'19 SAMANANDA, 7th Post'19 W. SANAMATUM, 8TH Post'19 U. ADHITYA, 15th Post.'19 REHAN YUNNAM, 22th Post.'19 R OSHAN KH., 23th Post'19 RICKY KHAIDEM, 23TH Post'19 SOIBAM DIANA, 24th Post.'19 L AMJINGBA, S. NEHA CBSE—95%
MANY MORE TOP-PRS
RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
QUESTIONS ANALYSIS BASE ON PREVIOUS YEARS QUESTIONS OF HSLC, CBSE & COHSEM
TO SCORE HIGH MARK AND EASY TO EXAM PATTERN SYSTEM
TIME (MORNING) 04.30 — 7.50 A.M. & (EVENING) 04.30 — 7.50 P.M.
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS'
SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVT. SCHOOL & 90% ABOVE IN X EXAM.
SPECIAL REVISION COURSE FOR 40 DAYS
FOR QUARY : 9862992105
CLASS XII (SC. ARTS & COMMERCE) CBSE & COHSEM — 25th MARCH
CLASS XII (SCIENCE) CBSE & COHSEM — 22ND MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) — 25th MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) & XI (SCIENCE) — 22ND MARCH
HALF FEE ON REVISION COURSE OF EX - ACIAN STUDENTS.
VAN SERVICE BOTH MORNING AND EVENING
FREE FOR RANK STUDENTS IN HSLC EXAM 2021
SEATS ARE LIITED FIRST COME FIRST SERVE
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION OF CLASS 6 TO 9
LOG ON : fb / youtube / google - advanced coaching institute
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH